**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- অনৌবা সরকার অসি, মীয়ামগী ৱাকৎশিং থবক্তা ওন্থোকপা ঙন্বা, শেঞ্জা থুমজা লৈতবা মীয়ামগী লৈঙাক অমা শোইদনা ওইহনগনি।

২) জষ্টিস কমিতি মণিপুরগী চেয়ারমেন জোয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা হায়রি- বৃটিশশিংগা লান শোকখিবা লানফমশিংদা নিংশিং খুভম নৌনা শেমগৎপগী থবক চথবা হৌরে।

৩) ইম্ফালগী সিতি কনভেনসন সেন্তরদা হয়েং মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ শরুক য়াদুনা মালেমগী নুপীগী নুমিৎ পাঙথোক্কনি।

৪) রাজ্যগী হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ এন. হেমন্টকুমারনা হায়রি- জন ঔসাদিগী মগুন লৈবা, অহোংবা হিদাকশিং শিজিন্নবদা চিংননিঙাই অমত্তা লৈতে।

অমসুং

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- সরকার অসিনা ত্রাহবেল মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎলি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- অনৌবা সরকার অসি, মীয়ামগী ৱাকৎশিং থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্বা, শেঞ্জা থুমজা লৈতবা মীয়ামগী লৈঙাক অমা শোইদনা ওইহনগনি।

ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা ঙসি পাঙথোকপা রাজ্য মন্ত্রি মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা শ্রী খেমচান্দনা ফোংদোকপা ৱারোল অমদা হায়- ঙসিগী মীফম অদুনা লৈঙাক সাসনগী থবক হেন্না ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি। মদুগী মনুংদা লৈঙাক সাসনগী থবক হেন্না ফগৎহন্নবা তঙাইফদনা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং অমসুং মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং অমসুং চাওখৎ থৌরাংশিং হেন্না মপুং ফানা পায়খৎপা ঙমবা ৱাফম কয়া য়াওরি। সরকার অসিনা মীয়ামগীদমক থবক্ত ওন্থোক্কনি হায়না থাজবা পীখিবশিং অদু শোইদনা পাঙথোকপা ঙমবা মখা তানা হোৎনখিগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

লাই (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি শিংজমৈ চীংঙা চীংদা কাদুনা ইমা চীংঙা লাইরেম্বীগী মফমদা খুরুমদুনা রাজ্য অসিদা শান্তি, তংদু লৈতাবা অমসুং কাংলুপ মশেলগা মরক্তা অমগা অমগা থাজনবা হেনগৎহন্নবা থৌনিখ্রে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা চাওখৎলবা ভারত অমা ওইহন্নবা চংশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরবুসু চাওখৎলবা রাজ্য অমা ওইহন্নবা মুখ্য মন্ত্রিনা থৌনিখি।

অমরোমদা, য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এন.জি. লোরহোনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা ইম্ফালদা লৈবা মহাক্কী সেক্রেতরিয়েটতা ঙসি উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোসু শরুক য়াখি। মীহুৎ কাংবু অদুগা উন্নবদা মণিপুরদা শান্তি, তংদু লৈতাবা অমসুং মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লকবা হোৎনবদা পাংবা য়াবা মতেংশিং পীংবীনবা মুখ্য মন্ত্রিনা তকশিনখি।

জষ্টিস (এল)ঃ  জষ্টিস কমিতি ওন এঙ্গলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১ মার্টিয়রস এন্দ ফ্রিদম ফাইটরস ওফ কংলৈপাক মণিপুরগী ৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা জষ্টিস মণিপুরগী চেয়ারমেন জোয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা হায়- কমিতি অসিনা এঙ্গলো মণিপুরী লানদা বৃটিশশিংগা লান শোকখিবা লানফমশিং নৌনা শেমগৎতুনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা নিংথিনা খঙহন্নবা হোৎনরি। মসিগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল অথোকপমগী লানফম শেমগৎপা হৌরে। মসিগী মথক্তা তোংজৈ মরীলগী লানফমসু শেমগৎনবা কন্না হোৎনরি। ককচিংগী মনাউ চীংদা লৈবা লানফমদসু নুঙ য়ুংদুনা শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি। মহাকা হায়- মণিপুরগী শক্তম ঙাক শেনদুনা থম্বীরম্বা অমসুং থমনবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীখিবা অথৌবা ইপা ইপুশিংবু নীংশিংবা হায়বসি মচা মশু ওইহৌরিবা ঐখোয়গী তঙাইফদ্রবা থৌদাং অমনি। জষ্টিস কমিতিনা অখন্নবা রিছার্স টিম অমা শেমগৎতুনা অথৌবা ইপা ইপুশিংগী খোঙ্গুল লীবগী থবক চথুরি। হৌজিক ফাওবদা থিজিনবদগী এঙ্গলো মণিপুরী লানদা শরুক য়াখিবা মীওই ১৫০ রোম মশক খঙদোকপা ঙমলে।

থৌরম অদুদা ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম মণিপুরগী চীফ এদভাইজর অসাং কসার, ইম্ফাল টাইমসকী এদিটর রিনকু খুমুকচম, মোইরাং কলেজগী প্রিন্সিপাল ডাঃ রহৈজডদিন শৈখ, আইমোল ত্রাইব য়ুনিয়ন মণিপুরগী এদভাইজর সি.ঐচ. লালপু আইমোল অমসুং কোম য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সরতো অহাও কোম শরুক য়াখি।

ৱিমেন (এল)ঃ  মালেমগী নুপীগী নুমিৎ হয়েং সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগনা শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেনসন সেন্তরদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ শরুক য়াগনি।

অমরোমদা, মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমসুং নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না মালেমগী নুপীগী নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা থা অসিগী ৯ দগী ১৩ ফাওবা মহা জন সুনৱায়ি পাঙথোক্কনি হায়রি। থৌরম অসি জিলা

মঙা- ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, তেংনৌপল অমসুং চান্দেলদা পাঙথোক্কনি। নুমিৎ মঙানি চুপা চখ্থগদবা থৌরম অসিনা নুপীশিংগী মথক্তা চখ্থবা মীওৎ মীনৈগা মরী লৈননা থাগৎলকপা ৱাকৎশিং তাগনি। ৱাকৎশিং অদুগী মতাংদা অথুবা মতমদা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎনবা হোৎনগনি।

জন ঔসাদি (এল)ঃ রাজ্যগী হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ এন. হেমন্টকুমারনা হায়রি- জন ঔসাদিগী মগুন লৈবা অমদি অহোংবা হিদাকশিং শিজিন্নবদা চিংননিঙাই অমত্তা লৈতে।

ফারমাসিউতিকেলস এন্দ মেদিকেল দিভাইসেস ব্যুরো ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা চয়োল অমা চুপনা চখ্থরকপা ৮ সুবা জন ঔসাদি দিবসকী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী ক্লাসিক গ্রান্দেদা লোইশিনখ্রে। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ডাঃ হেমন্টকুমারনা হায়- জন ঔসাদি কেন্দ্রশিংদা তোঙান তোঙানবা হিদাক মখল লিশিং ২ অমসুং সরজিকেল আইটেম ৩০০ লোম ফংলে। মণিপুরগুম্বা অৱান অনাগী থৌদোক য়ামা তোইনা থোকপা লমদম অসিদা অহোংবা মমলদা ফংলিবা হিদাকশিং লৈবা অসি য়ামা ফবা খোঙথাং অমনি। মহাকা হায়- জন ঔসাদিগী হিদাকশিং অসি মমল হোংবনা মরম ওইদুনা কনাগুম্বশিংনা হিদাক অসিগী মগুন শুনা য়াওরম্লোইদ্রা হায়না চিংনবা ফাওরিবা অদু অরানবনি। মসিদা ফংহল্লিবা হিদাকশিং অসি মরী লৈনবা ওথোরিতিনা নিংথিনা চাংয়েং তৌরবা মতুংদা মীয়ামদা য়োন্নবা অয়াবা পীরবা হিদাক ঙাক্তনি। ডোক্তরশিংনা ইরকপা হিদাকশিং অদুগা মচল মান্নবা জন ঔসাদি কেন্দ্রগী হিদাকশিং লৈদুনা শিজিন্নবা য়াই। মসিনা হিদাক লৈবদা শেল য়ামা চাদিং তৌবা অদু হন্থহনবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডাঃ কে.ঐচ. লোকেশ্বর সিংহনা হায়- শেল থুমগী অৱাবা মায়োকরিবা মীওইশিংনা হিদাক লাংথক লৈবদা খুদোংচাহন্নবগীদমক সরকারনা জন ঔসাদি কেন্দ্রশিং হাংদোকপনি। মীয়ামা কেন্দ্রশিং অসিদগী হিদাক লাংথক লৈবীদুনা খুদোংচাবশিং লৌবীয়ু।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা জন্ন ঔসাদি কেন্দ্র মঙাদা মনা মথুম পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

রাধা (এল)ঃ ওইনাম কেন্দ্রগী হান্নগী এম.এল.এ- লাইশ্রম রাধাকিশ্বরনা হায়রি- মণিপুরদা মীয়ামগী অনৌবা সরকার অমা লাকপদগী চীং অমসুং তম্পাক্কী লমশিংদা অহোংবা খরা লাকপা উরে।

য়াওশঙ স্পোর্টসকা মরী লৈননা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈনৌদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী রাধাকিশ্বরনা হায়- য়াওশঙ মতমদা শেল খায়বা অমদি তোঙান তোঙানবা য়াওশঙগা মরী লৈনবা থবকশিংদা য়াওরম্বা লৈশাবী অমদি মৌশিংনা য়াওশঙ স্পোর্টসতা শরুক য়ারকপা অসি অফবা খোঙথাং অমনি। হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা মশা মউ ফনা, থাকশি খাশি লৈনা অমসুং মমা লৈবাকপু নুংশিবা মীওই অমমম ওইনবা হোৎনগদবনি। মণিপুরদগী হৌখিবা অরিবা মশান্না অমা ওইরিবা শগোল কাংজৈ-পোলো অসি হেন্না চাওখৎহনদুনা মণিপুরবু মালেমদা হেন্না শক তাকপা ঙমবা হোৎনরশি।

সেনাপতি (এল)ঃ ভারত লান্মীগী স্পিয়ার কোরনা শিন্দুনা সেনাপতি জিলাগী কারোংদা এক্স-সার্ভিসমেন রেল্লি অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা স্পিয়ার কোরগী জি.ও.সি লেফটনেন্ট জেনেরেল অভিজিৎ এস. পেন্ধারকরনা হায়- থবক্তগী পোখারবা লান্মীগী মীওইশিংবু মশা মউ ফনা অমসুং নুংঙাইনা লৈহন্নবগী পান্দমদা এক্স-সার্ভিসমেন রেল্লি অসি পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা রেড সিল্ড দিভিজনগী জি.ও.সি মেজর জেনেরেল সুভানকর বাসু য়াওনা লান্মীগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি। লান্মী অমসুং অসাম রাইফলসকী থবক্তগী পোখারবা এক্স-সার্ভিসমেন ৮৫০ রোম শরুক য়াখি।

টুর (এল)ঃ ওপরেসন সদভবনাগী মখাদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা মণিপুরদগী চৎখিবা নেসনেল ইন্তিগ্রেসন টুরদা শরুক য়াখিবা নহারোলশিং ঙসি তিরুভনন্তপুরম য়ৌখ্রে। আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী পাউনা হায়- মখোয়না কেরলাগী লোক ভবনদা রাজ্যপালগা উন্নখি অমসুং নাপিয়র ম্যুজিয়ম, জ, শ্রী চিত্রা আর্ট গেল্লেরি অমসুং বিক্রম সরাভাই স্পেস সেন্তরদসু চত্তুনা য়েংখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাগী হিয়াংতম লমকাদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা পুন্না মীওই ৫৪৬ লোম লায়েংখি।

অৱাবা (এল)ঃ মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লি সেক্রেতরিয়েটতা মার্সেল ওইনা থৌ পুরম্বা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী উরিপোক য়াম্বেম লৈকাইদগী ব্রহ্মচারিময়ুম দেব বর্তা শর্ম্মনা হৌখিবা থা অসিগী ৫ দা লৈখিদবদা মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লি সেক্রেতরিয়েট ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না অৱাবা ফোংদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিত অনি তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। মহাকা লৈখিদবদা ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন অসিনা শরুক য়ারি হায়রি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- সরকার অসিনা ত্রাইবেল মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎলে। ত্রাইবেলশিংগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা নাৎ অমসুং সংস্কৃতি য়োকখৎনবগীদমক সরকারনা হোৎনরি।

রাষ্ট্রপতিনা নোংচুপ বেঙ্গলগী দার্জিলিংদা পাঙথোকপা ৯ শুবা সন্টাল কনফরেন্সতা ৱা ঙাংলদুনা হায়- সন্টালিগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা চৎনবীশিং অসিদা অকোইবগী ফিভম কায়হন্দনা অমত্তা ওইনা শান্তি ওইনা লৈমিন্নবগী ৱাখল্লোন য়াওরি।

মেঘালয় ঃ ট্রান্সফোর্মিং এগ্রিগলচরেল এক্সটেন্সন ইজ্‌কেসন এন্দ এদভাইজরি সার্ভিস সিষ্টেম ইন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া- পোলিসি পরস্পেপক্তিভস ফোর ভিক্সিত ভারত ২০৪৭ হায়বা ৱার্কসোপ অমা ঙসিদগী মেঘালয়গী উমিয়মদা হৌখ্রে। সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালনা আই.সি.এ.আর অতারি-জোন সভেন ডমিয়ম অমসুং জোন সিক্স গুৱাহাতিগা পুন্না শিনবা থৌরম অসি হয়েং ফাওবা পাঙথোক্কনি। ৱার্কসোপ অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা এক্সপার্টশিং, একাদমিসিয়ানশিং অমসুং ষ্টেগহোল্ডরশিংনা শরুক য়ারি।

নাইডু ঃ সিভিল এভিএসন মন্ত্রি রাম মোহন নাইডুনা বেঙ্গল্‌রুদা ঙসি এয়ারবস ইন্দিয়া টেকোলোজি সেন্তর অমা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শঙ্গাখ্রে।

শ্রী নাইডুনা হায়- লৈবাক অসি গ্লোবেল কেপেবিলিতি সেন্তরশিংগী হব অমা ওইনা মালেমা শক খঙলক্লি। লৈবাক অসিগী হৈথোই শিংথোইরবা নহাশিংনা এয়ারবস কেম্পস অসিদা মখোয় মখোয়না হৈজবশিং থবক্তা ওন্থোকপা য়ারগনি। অনৌবা এয়ারবস সেন্তর অসিনা এয়ারবস কম্মর্সিয়েল এয়ারক্রাফট অমসুং হেলিকোপ্তরশিংগী ত্রিতিকেল সিষ্টেমশিং পুথোকপদা মতেং ওইরগনি।

মোদিঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং ন্যু দিল্লিদা লুপা কোতি লিশিং ৩৩,৫০০ গী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরা উরেপ উয়ুং তমগনি, খরগীনা শঙ্গাগনি।

শ্রী মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ১৮,৩০০ লোম চংগদবা দিল্লি মেত্রো প্রোজেক্ট উরেপ উয়ুং তমগনি খরগীনা শঙ্গাগনি। মহাকা দিল্লি মেত্রোদা অনৌবা কোরিদোর অনিসু শঙ্গাগনি । মসিগী মনুংদা কিলোমিটর ১২ হেন্না শাংবা মজলিষ্ট পার্ক মোসপুর বাবরপুর (পিঙ্ক লাইন) কোরিদোর অমসুং কিলোমিটর ৯ হেন্না শাংবা দিপালি চোক মজলিষ্ট পার্ক মাজেন্তা লাইন কোরিদোর য়াওরি।

প্রধান মন্ত্রিনা কিলোমিটর ১৬ হেন্না শাংবা দিল্লি মেট্রোগী ফেজ ফাইব (এ) গী মখাদা লৈবা কোরিদোর অহুম অমসু শাননবা উরেপ উয়ুং তমগনি।

ৱিমেন ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হয়েং নিউ দিল্লিদা জাতি থাক্কী মালেমগী নুপীগী নুমিৎ থৌরমদা শরুক য়াগনি।

ৱিমেন্দ এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রালয়না শিনবা থৌরম অসিদা ৱিমেন অমসুং চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-অনাপুরনা দেবী অমসুং রাজ্য মন্ত্রি-সাবিত্রি ঠাকুর শরুক য়াগনি। মন্ত্রালয়না হায়- থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা মন্ত্রালয় ১৫০ হেনবগী বিভাগশিংদগী নুপী লিশিং অমা হেন্না শরুক য়ারবা য়াই।

ৱাঙ্ক ঃ ৱিমেন অমসুং চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়না শিন্দুনা মালেমগী নুপীগী নুমিৎকা মরী লৈননা হয়েং অয়ুক পুং ৭ মখায়দগী নুপীশিংগী ওইবা খোঙচৎ শক্তি ৱাঙ্ক, ইন্দিয়া গেটতগী বিজয় চোক ফাওবা, কর্তব্যা পার্ক ফাওদুনা চৎকনি।

শক্তি ৱাঙ্ক অসি নুপীশিংনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা অমদি লুচিংদুনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিবু নুংঙাইবা ফোংদোকপা ওইনা পাঙথোক্কদবনি। খোঙচৎ অসিদা কেন্দ্রগী নুপী মন্ত্রিশিং, পার্লিয়ামেন্টকী নুপী মেম্বরশিং, নুপী এম.এল.এ অমদি তোঙান তোঙানবা শকাইরবী নুপীশিং শরুক য়াগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং ঃ মনিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শ্রীশ্রী গোপালদেব অমসুং য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনবা অহুমশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা অমসুং কুমারী অমিতা দেবী মেমোরিএল লিগ কপ নোক আউট কেন্দ্রৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ হয়েংদগী শ্রীশ্রী গোপালদেব মন্দব য়াইস্কুল কাংশঙদা হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসি ককচিংতাবম অজিৎ কুমার শর্ম্মা অমসুং ইমুং মনুংনা কৎপনি। হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর সরকারগী টেক্সসনগী জোইন্ট কম্মিসনার য়ুমাম ইন্দ্রকুমার সিংহনা অথোইবা মীথুং, অকাশবানি ইম্ফাল এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর (নিউজ) থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎনা অথোইবা লেংবীরকপা অমসুং য়াইস্কুল কাংকুৎকী প্রসিদেন্ট লাইময়ুম ব্রজমনি শর্ম্মানা মীফম মপু ওইগনি।

ফুটবোল ঃ ১৪ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- আই.দব্লিউ.দি.এফ.এনা দি.এফ.এ থৌবালবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথরিবা ইন্টর ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন ইনভাইটেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- কে.এস.এনা এম.এস.এফপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ   আই.সি.সি মেন্স টি-তেন্তি ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ কী ফাইনেলদা ভারত অমসুং নিউজিলেন্দ থেংনরগনি। ফাইনেল মেটচ অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা হয়েং নুমিদাং পুং ৭ তগী হৌগনি।

আই.সি.সিগী মেন্স টি-টোইন্তি ৱার্ল্ড কপকী ইতিহাসতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অমনা অমুক হন্না ফাইনেল চংবা ভারতনা অহানবা ওইরে।

------